**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-11-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৫-১১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচন্দপুর জিলাদগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) উখ্রুল জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৭.৮৯ য়ৌরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উট্টর প্রদেশকী অযোধিয়াদা লৈবা রাম জন্ম ভুমি মন্দিরদা চৎকনি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** চুরাচন্দপুর জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী হেংলেপ পুলিস স্তেসননা কোনবা নিংথি চীং ভিলেজকী ময়াদা লৈবা বোলনিওগী মফমদগী বোম য়াওনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা ঙমখিবনি।

খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা শেমদোক্লবা প্রোজেক্তাইল লোঞ্চর ৭, লোকেল মেদ পম্পী প্রোজেক্তাইল ঐচ.ঈ.বোম ১১, কন্ত্রিমেদ শিঙ্গল বেরেল রাইফল ৭, কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল ২, নোংমৈ মরু, বুলেট প্রুফ জেকেটশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা, মীয়ামদা লান্না পাউ শন্দোকপা অমদি আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌনবগীদমক ইনশিনবা মওংদা ভিদিও শেল্বা মীওই অমা ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অনি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তাংখম অৱাং লৈকাইদগীনি। মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়নসু মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

**সঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫গী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতসু তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

বৈগ্যা চন্দ্র ওপ ইয়র থিয়েতরদা পাউমাই ত্রেদিস্নেলে দান্স, খুনুং ঈশৈ, কোইরেং ত্রেদিসনেল দান্স, কোম ত্রেদিসনেল দান্সনচিংবা জগোয় ঈশৈগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

হপ্তা কাংজৈবুংদনা তাঙ্খুল ফোল্ক সোং, কিটলাম অমদি মোইরাংশাই পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দেভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা সিনেমাশিং উৎকনি। মসিদসু নত্তনা সিনেমাশিং নৈনবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

ইবোয়াইমা সুমাং লিলা শঙলেনদসু সুমাং লিলা অনি উৎকনি।

**আইদিপি (এল)** ঃসঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ানিংদে হায়বগী দাবীদা আই.দি.পিশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইকৌ, য়েংখুমান অমসুং দোলাইথাবীগী

আই.দি.পিশিংনা মখোয় মশাগী ময়ুমদা হঞ্জরগে হায়না লাকপদগী ইম্ফাল ইষ্টকী দোলাইথাবী এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা চাউনা মুকবা থোকখি। থৌদোক অদুদা নাকল অনিমক্কী মরক্তা অশোক অপন খরসু য়াওখি হায়রি।

নুমিদাংগী মতমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুপীশিংনা সঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা মৈরাগী রেল্লিসু চৎখি।

**সাটভাভনা(এল)ঃ** ওপরেসন সাটভাভনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরগীদমক চুরাচান্দপুর জিলাদগী ওজা অনি য়াওনা মহৈরোই ২২ চৎখিবা অদু টুর অসিগী ফাইনেল লেগকীদমক ঙরাং কোলকতাদা থুংখ্রে। থা অসিগী ১৫ দা লমথাখিবা খোঙচৎ অদু দেল্লি অমদি জয়পুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চৎখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৭.৮৯ য়ৌরে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীবা অইং অশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৮.০৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৯.৬৩, নোনে জিলাদা ১০.৯, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ১০.৬৩, কাংপোকপী জিলাদা ১০.৮৬ য়ৌরে।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং মীওই ২৭ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। রিমসতা মীওই ২৬ কী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ১০ পোজিতিভ ওইখি। জেনিমসতা মীওহ ৪৮ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭ পোজিতিভ ওইখি।

হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা পুন্না মীওই লিশিং ১০,৯৭৫ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৫২৪৩ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। মসিগীদমক হকশেল বিভাগনা লৌখৎলকপা চেকশিল থৌরাংশিংগী মনুংদা মৈখু কাপথোকপা, কাং চাবা ঙা থাদবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মসিদসু নত্তনা দেঙ্গি লায়না অসিগী মতাংদা

মীয়ামদা এব্ব্যেরনেল পীবগী থবকসু চথ্খরি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উট্টর প্রদেশকী অযোধিয়াদা লৈবা রাম জন্ম ভুমি মন্দিরদা চৎকনি। মফম অদুদা, শ্রী মোদিনা লাইশঙ অদু শাবা লোইশিনবগী পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা মাতা অন্ন পুর্ন মন্দির অমদি রাম ললা গর্ভা গ্রহাদা চত্তুনা লাই খুরুমগনি।

তুংদা, গুরু টেগ বহাদুরজিগী ৩৫০ শুবা সহিদি দিবসকী অখন্নবা থৌরম য়াওরুনবা প্রধান মন্ত্রি ঙসি নুমিদাংৱাইরম কুরুক্ষেত্রদা চৎকনি। মীয়ামা ইকায় খুমরিবা গুরু অসিগী ৩৫০ শুবা সহিদি দিবসকা মরী লৈননা শ্রী মোদিনা অখন্নবা শেল ময়েক অমসুং নীংশিং ষ্টাম্প পুথোক্কনি। কেন্দ্র সরকারনা গুরু টেগ বহাদুরগী ৩৫০ শুবা সহিদি দিবস অসি চহি অমা চুপা পাঙথোক্লি। খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ভগবান কৃষ্ণগী শেংলবা মোইবুং অদুবু ইকায় খুমবা ওইনা শাবা পঞ্চজৈন্যা বিল্ডিং শঙ্গাগনি। তুংদা, নুমিদাংদা শ্রী মোদিনা ব্রহ্মসরোবর দর্সন তৌগনি অমসুং পুজা কৎকনি।

**ইন্দো-ফ্রান্সঃ** ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিতেদ অমসুং ফ্রান্সকী সফ্রান ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ দিফেন্সকী মরক্তা হাইলি এজাইল মোদ্যুলর ম্যুনিসন এক্সতেন্দেট রেঞ্জ (হেমর) স্মার্ট প্রিসিজন গাইদেদ এয়র টু গ্রাউন্দ ৱিপন পুথোকবা জোইন্ট ভেঞ্চর কো-ওপরেসন এগ্রিমেন্ট অমা ঙরাং নিউ দেল্লিদা সহী তৌনখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- য়ান্নচে অসিগী মতুং ইন্না ইয়র ফোর্স অমসুং নেভিদা শিজিন্নগদবা হেমর পুথোকপা, সপ্লাই তৌবা অমসুং মেন্তিনেন্সকী থবক লোকেলাইস তৌহল্লগনি। মসিনা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং মেকানিকেল পার্টশিং লাইনা শাহনবগা লোয়ননা চাদা ৬০গী চাংদা খুমাং চাউশিনবা ঙম্লগনি।

ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিতেদনা হেমর পুথোকপগী ফাইনেল এশেমব্লি,

তেষ্টিং অমসুং ক্লালিতি এস্যুরেন্সকী থবক তৌগনি। হেমর অসি কোম্বেট প্রুভন অমসুং রফেল অমদি লাইত কোম্বেট ইয়রক্রাফট তেজাস কুম্বদা শিজিন্নবদা খুদোংচাবা গাইদেদ ৱিপন সিস্স্মে অমনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কবাদি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫গী ৱিনর ওইখ্রবা ভারতকী নুপীগী কবাদি টিমবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারতগী নুপী টিমনা থোইদোক হেনদোকা হৈ-শিংবা অমসুং কখোকপগা লোয়ননা শান্নদুনা লৈবাক অসিবু চাউথোকচবা পোকহল্লে। শ্রী মোদিনা হায়-কবাদি টিমনা মাই পাক্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা মশান্ন অসিদা য়াওনিংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা চংশিনখিবা আই.দি.পিশিংগী খোঙজংগী পাউ অমদি সঙাই ফেষ্টিভেলগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জিনজরগে হায়না লাকপা খোঙচত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিংখ্রে, ৪ শোক্লে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা- জিরিবামদা সি.আর.পি.এফনা মিল্লিতেন্ট ১০ হাৎখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা এন.আই.এনা থিজিনবগী স্তেতস পীখৎলকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই ফেষ্টিভেলদা মী লাকপগী চাং য়ামা নেল্লি, ফোরেইন ক্রুপশিং

লাক্কবদগী ফোরেইনগী কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউচে অসিদা- বোরুন থোকচোমগী বেট্টলফিল্ড ইন্তরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা উৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পোকফমদা- আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হলহনবা ঙমদবদগী ইরাং থোরক্লবদি খান্বা ঙমগনি থাজদে হায়বা এম.এল.এ লোকেস্বরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- পি.এম জি.এস.ৱাইগী মখাদা লম্বী শেমবা সেন্তরনা পীথরকপা লূপা কোতি ৬০০ হেনবগী শেনফম মাংহনদৌরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুরনা ইন্দিয়া এ বু পাঞ্জল ১১-৭ তা মাইথিবা পীখ্রে, য়ু.এসনা ছতিসগরবু পাঞ্জল ৭-৫ দা থোইখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা পাঙথোকপা ভোকেসনেল ত্রেন্নিং ওন মেকিং ত্রেদিসনেল ক্রাফট এন্দ চার্কোল হিতরগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকখ্রে, ৪ শোক্লে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- অন্সমগী লুচিংবশিংনা তামেংলোংদা লাক্কুনা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুটশিংদা চৎখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- আর.টি.আইগী পাউখুম অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইভেল এফিয়র্সনা হায়রি-ফিভম অসি য়ামা সেন্সিতিভ ওইবা মরমা ইস্যু অসি স্তেতস কো দা থল্লগনি হায়বা পাউ অসিসু ফোঙলি।

হিলস হোৰ্ণবিল এক্সপ্রেসতা- এন.পি.ওনা প্রপোজ সেলেব্রেসন সাইটতা করিগুম্বা মখল অমত্তগী প্রোগ্রাম পাঙথোক্তনবা আপিল তৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- এস.টি লিষ্টতগী এনি কুকি ত্রাইভ লৌথোকবা মণিপুরনা প্রপোজ তৌরকপনি হায়বা ত্রাইভেল এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মাই পাকা পাঙথোকখ্রে, কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফ হায়বা পাউ অসি এঙ্কর কলমদা ফোঙলি। পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ৱারি শান্নরগনি হায়বা খন্নবতোনগী ৱাফম অসিসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

জিরিদা সি.আর.পি.এফ কেম্পতা মীওই ১০ শিখিবা অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা স্তেতস রিপোর্ট পীরকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরা এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী মরীনি চনবা নুমিৎতসু খুন্তাক লানশিখ্রে, সুমাং লিলাং অহুম উৎকদবদা অনি লাকখিদ্রে, য়েংবীনবা য়ামখিদ্রে হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**